# লালনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা সিরিয়াদা প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সন পাঙথোক্লগনি



দমাস্কস, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী) :

লৈবাক মনুংগী ওইবা লালনা মরম ওইরগা চাওনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা সিরিয়াদা লাক্লিবা মে ২৬ তা প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা লৈরিবা বসর অল অসদনা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সন অসিদা অমুক হন্না মায় পাক্লবা য়াবগী ফীভমদা লৈরি। সিরিয়াগী ৱাংমদা লৈখ্রবা লৈবাক অদুগী সিটিজেনশিংনা এম্বেসিশিংদা চত্তুনা ভোট থাদবগী অয়াবা পীগনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা হামৌদা সভাকনা ফোঙদোকখিবদা মপান লমদা লৈরিবা সিরিয়ন সিটিজেনশিংনা মে ২০ দা মখোয় মখোয়না লৈরিবা লৈবাক অদুগী এম্বেসিশিংদা চত্তুনা ভোট থাদবা য়াগনি। মীখল অসিদা মীরেপ ওইনিংবশিংনা মখোয়গী চে চাংশিং নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌরগা থাজি ল্লকপা য়ারগনি হায়রি।

সিরিয়াদা চহী কয়া লৈবাক মনুংগী ওইবা লাল অদুনা মরম ওইরগা মীওই মিল্লিয়ন কয়া লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চেন্নহনখ্রে। মখোয়শিং অদু হান্নদি ভোট থাদবদা অয়াবা পীরমদে। হৌখিবা কুমজা ২০০০ দা মতমদুগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা হাফেজনা লৈখিদ্রবা মতুং মহাক্কী মচানুপা অসাদনা প্রসিদেন্টকী ফম পায়দুনা লাকখিবনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি মে থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা মীখল অসিদা মহাক শরুক য়াবা নৎত্রগা য়াদবা হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদা মহাক্না চাওনা মায় পাকখি। সিরিয়াদা মতম শাংনা চথুদুনা লাকখিবা লৈবাক মনুংগী ওইবা লাল অদুনা লৈবাক অদুদা তংদু লৈতাদবা পুন্সি মহিং অমদা লৈনরমখি। অদুবু রুসিয়া মিলিটরিনা লৈবাক মনুংদা থোক্লিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা খূৎ থিংজিল্লক্তুনা অসাদপু চাওনা মতেং পাংদুনা লাকখি।

অমরোমদা মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোরোনা ভাইরস লায়না লায়চৎনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা অচৌবা চৈথেং পীদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা কিনিঙাই ওইরবা মতম অসিদা পার্লিয়ামেন টরিয়নশিংনা ইলেক্সনগী মতম লেপশিনখিবা অদুবু মীওই কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কোভিদ লায়না লায়চৎকী ফীভম কন্ত্রোল তৌরবা মতুংদা ইলেক্সন পাঙথোকহন্নিংবগী অপাম্বসু মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

# বংলাদেশতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখিবা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মীওই কয়া ফাজিন্দুনা থমখ্রে

ধাকা, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী) :

মমাং থাদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বংলাদেশতা চৎখিবা খোঙচৎ অদুবু বংলাদেশকী মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাকখিবনি।

নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়াদা লৈবা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মীওইশিংগী মায়োক্তা ওৎ নৈবগী থবক চথৈ হায়না মরাল শীরদুনা ইস্লাম লাইনিংদা কা হেন্না থাজবা ইস্লামিস গ্রুপ হিফাজৎ-ঈ-ইস্লামগী থৌমীশিংনা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনখিবনি। মার্চ থাগী অথেংবদা হৌরগা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা প্রোটেষ্টর ১৩ শিখ্রে।

হিফাজৎ-ঈ-ইস্লাম গ্রুপকী থৌমী ১০০ হেন্না হৌখিবা চয়োল অসিদা বংলাদেশ পুলিসনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়রি। হীরম অসিগা মরী লৈননা বংলাদেশ পুলিসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা বংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা ঙসি পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী ইস্লামিক সেমিনারি অমদা শরুক য়াখিবা হিফাজৎ গ্রুপকী জোইন্ট সেক্রেটরি মামুনুল হক (৪৭) পুলিসনা ফাবা ঙমখি।

হিফাজৎ-ঈ-ইস্লাম্না চঙশিনখিবা খোঙজংশিংদা য়ৈখাই থিনগাইবগী ওইবা থৌওং কয়া চথখিবা অদুগীদমক মামুনুল পুলিসনা ফাখিবনি। হন্দক চয়োলসিদা হিফাজৎ লুচিংবা কয়া পুলিসনা ফাবা ঙমখ্রে। হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দা নরেন্দ্র মোদিগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা খোঙজংদা মীওই ৫০ গী মথক্তা শিখি। থৌদোক অদু হিফাজৎ গ্রুপনা অতম্না থোকহনখিবনি হায়না পুলিসনা মরাল শীবগা লোয়ননা গ্রুপ অসিগী লুচিংবশিং লেপ্পা লৈতনা ফাবা হৌরকখিবনি।



হিফাজৎ-ঈ-ইস্লাম সপোর্টর ২৯৮ বংলাদেশকী মনুং চনবা ব্রক্ষন বারিয়া দিষ্ট্রিক্তগী পুলিসনা ফাগৎখ্রে। মখোয়শিং অদুনা মোদিগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা খোঙজংশিংদা য়ৈকাই থিনগাইবগী থৌওংশিং য়াওনা অহেনবা থবক কয়া তৌখিবগীদমক ফাজিনখিবনি।

ব্রক্ষনবারিয়াপুলিসকী দিপ্যুটি চীফ মহমদ রোইজ উদ্দিননা ফোঙদোকখিবদা ভিদিও ফুটেজকী খুৎথাংদা মীওইশিং অদুবু মশক খঙদোক্লবা মতুং পুলিসনা ফাখিবনি। মখা তানসু ফানবা হোৎনরি।

অমরোমদা হিফাজৎকী ৱাঙাঙলোয় জকারিয়া নোমান খোয়েজিনা ফোঙদোকখিবদা ওর্গনাইজেসন অসিগী লুচিংবা ২৩ হৌজিক হৌজিক পুলিসনা ফাজিন্দুনা থল্লি। অমদি পুলিসনা ওর্গনাইজেসন অসিদা মরাল কয়া শীজিন্দুনা মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরি হায়খি।

# চয়েৎনরিঙৈ মরক্তা বৃটিশ ৱারসিপশিং ব্লেক সিদা থৌজিনগদৌরি

লন্দন, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী) :

যুক্রেন অমসুং রুসিয়াগী মরক্তা অকনবা মওংদা উংখৎনরিঙৈ মরক অসিদা ব্লেক সি তম্না বৃটিশ ৱারসিপশিং মে থাদা থৌজিল্লগনি হায়না সেনিয়র নেভেল ওফিসরশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

যুক্রেন অমসুং বৃটেনগী নেটো এলাইদশিংগা অফবা মরী লৈ হায়বদু উৎনবগীদমক ব্লেক সিদা বৃটিশ ৱারসিপশিং থৌজিনগদৌরি। এন্টি এয়র ক্রাফট মিসাইলশিং য়াওবা টাইপ ৪৫ দিষ্ট্রোয়র ১ অমসুং টাইপ ২৩ ফ্রিগেট এন্টি সবমেরিন অমা ব্লেক সিদা থৌজিন্নবা শেম শাবা লোইরে। আর এ এফ এফ-৩৫ বি লাইটনিং ষ্টিলথ জেটশিং অমসুং মর্লিন সবমেরিন হন্টিং হেলিকোপ্টরশিং মফমদুদা থৌজিনগদৌরিবা ৱারপশিং অদুগী মতেং পাংনবা পাইশিনগদৌরি। হায়রিবা অসিগী মতাংদা য়ু কেগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

# ইরানদা মেগনিচুন্দ ৫.৯ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে, মীওই ৫ শোকখ্রে

টেহরান, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী) :

ইরানগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈরিবা বুসেহর প্রোভিন্সতা মেগনিচুন্দ ৫.৯ য়ৌনা হাখিবা য়ুহা অমনা মরম ওইরগা মীওই ৫ অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না ষ্টেট মীদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না ঙসি থোকখিবা থৌদোক অদুনা বুসেহরদা লৈবা ন্যুক্লিয়র কমপ্লেক্স অমদা অমাং অতা খরা থোকহনখি। অদুমওইনমক লাইবক ফবদগী মৈহৌ লাংপোক অমদি পোকখায়বগী থৌদোকশিং থোকখিদে।

য়ুহা হাখিবা অদুনা মরম ওইরগা বুসেহরগী শরুক খরদা মোবাইল নেটৱার্ক অমসুং ইলেক্ট্রিক্কী খুদোংচাবা লৈহনখিদ্রে হায়না ইরান ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি। হৌজিক হৌজিক টেলিফোন অমসুং ইলেক্ট্রিক্কী খুদোংচাবা ফংদ্রবা ইমুংশিংদা অথুবা মতমদা ইলেক্ট্রিক ফংহন্নবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনরি।

বুসেহরদা মেগনিচুন্দ ৫.৯ য়ৌনা হাখিবা য়ুহা অদুনা য়ুম ১৪ অমাং অতা থোকহনখি। ইমুং ১৪ অদুগী মীওইশিংগী লৈফম ওথোরিটিশিংনা খুদক্কী ওইনা মনাক নকপদা লৈবা সেলটর হোম অমদা শেমখিবগা লোয়ননা দরকার ওইরিবা পোৎলমশিং সপ্লাই তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ২০০৬ তা খা নোংপোক থংবা ইরানগী শরুক্তা মেগনিচুন্দ ৬.৬ য়ৌনা হাখিবা য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা অরিবা মদ ব্রিক সিটি অমা অমাং অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই ৩১,০০০ রোম শিহনখি। কুমজা ১৯৯০ দনা মেগনিচুদ ৭.৪ য়ৌনা হাখিবা অকনবা য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা মীওই ৪০,০০০ রোম শিহনখিবগা লোয়ননা লাক্ষ ৩ হেন্না শোকহনখিবগী থৌদোক থোকখ্রে।

# অফঘানিষ্টানগী মোক্সতা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা ইমুং অমগী মীওই ৮ শিরে

জলালবাদ, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা মোক্স অমদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা ইমুং অমগী মীওই ৮ শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।



ওফিসরশিং অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং ননগরহর প্রোভিন্সকী মনুং চন্না লৈবা জলালবাদতা লমগী ৱাহৌদগী খৎনরকপদগী থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা প্রোভিন্স অদুগী গভর্ণর জায়ুলহক অমরখিলনা ফোঙদোকখিবদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা শিখ্রবা মীওই ৮ অদুগী মনুংদা ৫ না পোকমিন্নবা মচিন মনাওনি অদুগা অহুম্না মখোয় ৫ গী মখুরাগী মচাশিংনি। ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী শেংবা থা রামদান লাকপদা মালেমদা লৈরিবা মুস্লিম কয়ানা হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোক্লরি। ঙরাং নুমিদাং থোকখ্রিবা থৌদোক মখোয়না নুংথিলগী মতমদা চরা হেল্লি অদুগা নুমিদাংগী মতমদা নুপা ময়াম পুনশিন্দুনা মপুগী মফমদা থৌনিজবগী থবকশিং চথৈ।

অফঘানিষ্টানদা লমন খুম্বগী থবকশিং য়াম্না তোয়না থোকই। অদুসু লমগী মতাংদা চয়েৎনবা খরা লৈখিবা অদুগী লমন খুম্বা ওইনা চথখিবা এটেক ওইরম্বা য়াই হায়না থাজরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মীহাৎ অদুদা চেন্নরিবশিংগী মতাংদা ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

# 'রুসিয়াগী ক্রিটিক নভালনিগী ফীভম য়েংশিনবা মথৌ তাই'

ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী) :

প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা লুচিংবা রুসিয়ন গভর্ণমেন্টনা প্রো দিমোক্রেসি এক্তিভিষ্ট এলেক্সে নভালনিবু ফাজিন্দুনা জেলদা থমখ্রবা মতুং ক্রিটিক অদুগী হকচাংগী ফীভম কা হেন্না শোকচিনখ্রে হায়না ডোক্তরশিংনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অদু রুসিয়ন ওথোরিটিনা তরাইনা লৌফম থোক্তে। অমদি মহাক্কী হকচাংগী ফীভম মতাং চানা চেক তৌগদবনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নভালনিদা জেল ওথোরিটনা চত্থরিবা থবক থৌওংশিং অদু মরম চাদে। প্রো দিমোক্রেসি এক্তিভিষ্ট অদুবু হাৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। নার্ভ এজেন্সী অমনসু জেলদা থল্লিবা নভালনিবু হাৎনবা হোৎনরম্বগী থৌদোক থোকখ্রে।

জেলদা লৈরিবা নভালনিনা মহাক্কী হকচাংগী ফীভম জেল ওথোরিটিশিংনা য়েংশিনবিদ্রে হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা জেল মনুংদা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি।

মমাং থাগী ৩১ দগী হৌরগা চঙশিল্লকখিবা চরা হেনবগী খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা নভালনিগী অরুম্বা কা হেন্না হন্থখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভম অদুদা মহাক্কী ডোক্তর অমসুং লোয়রশিংনা মতম অমদা হেক্তা নভালনি শিবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

লাইবকথিবা থৌদোকশিং মখা তানা থোরক্ত্রিঙৈদা নভালনিবু ইন্তেন্সিব ক্যের য়ুনিটতা থমদুনা ট্রিটমেন্ট চথবগী মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ডোক্তরশিংনা ফোঙদোরক্লিবা অদু রুসিয়ন ওথোরিটিশিংনা লুম্না লৌবগা লোয়ননা মখা তাবা খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোরক্ত্রিঙৈদা চেকশিন থৌরাং হান্না লৌখৎকদবনি হায়রি।

# ৱিসকোন্সিনদা লৈবা টাভর্ন অমদা নোংমৈ কাপ্পদগী মীওই ৩ শিরে ২ অশোক অপন নংখ্রে



ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী) :

য়ুনাইটেদ ষ্টেট মনুং চনবা ৱিসকোন্সন ষ্টেটতা লৈবা সোমর্স হাউস টাভর্নদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ৩ শিরে অদুগা ২না শোকখ্রে হায়না কেনোসা কাউন্টি সর্জন দেবিদ রাইটনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদু পুলিসনা ফানবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। মী য়াম্না তিনবা মফম অদুদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু চেন্নরিবা মীওই অদুনা করি মরমগীদমক চথখিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং পুলিসনা মশক মমিং খঙদোক্লবা হোৎনরি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং পুলিসনা টাভর্ন অদু তাবা লম্বীশিং থিংজিনখিবগা লোয়ননা অকোয়বগী মফম অহেনবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌদুনা থি হুম্বগী থবক চথরি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদসু য়ু এসকী মনুং চন্না লৈবা ইন্দিয়ানাপোলিস সিটিদা লৈবা ফেদেক্স ফেসিলিটিদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদসু মীওই ৮ শিখি। মদুগী মতুংদা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদু মশা মতোমতা কাপশিন্দুনা শিজখিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা অসিগুম্বা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং অসি য়াম্না তোয়না থোক্লি। হৌখিবা থাদসু অঙাং অমা য়াওনা কালিফোনিয়াগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা ওফিস বিল্ডিংদা মীওই ৪ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। মমাং থাগী ২২ দসু কোলোরাদোগী মনুং চনবা বাউলদরদা লৈবা গ্রোসরি ষ্টোর অমদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীওই ১০ শিহনখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিংদা চহী খুদিংগী য়ামদ্রবদা মীওই ৪০,০০০ হেন্না শিরি। হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা তঙ্খাই অমদি মশা মতোমতা কাপশিন্দুনা শিজবা ঙাক্তনি।

য়ু এসতা থোক্লিবা নোংমৈনা মীওইবগী পুন্সিবু মাঙহনবগী থৌওং অসিবু য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ওটোমেটিক গনশিং লনাই মীওইশিংদা শীজিন্নবা য়াহল্লরোই হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে অমদি য়ু এস সেক্যুরিটি ফোর্স অমসুং কোপশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোক্তনবা হোৎনগদবনি হায়না ইন্স্ট্রক্সন পীখ্রে হায়রি।

# অমাজোন রেন ফোরেষ্ট কন্নবগীদমক অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী শেলগী মতেং পাল্লি

ব্রাজিল, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী) :

মালেমগী অঙৈং অশাগী খল কায়থরকপগা লোয়ননা অমাজোন রেন ফোরেষ্টকী ফীভমসু নোংমা নোংমগী শোকচিল্লক্লি। মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা রেন ফোরেষ্ট অসিবু কন্নবগীদমক ব্রজিলনা য়ুনাইটেদ ষ্টেট য়াওনা অতোপ্পা লৈবাক কয়াদগী দোল্লর বিল্লিয়ন কয়াগী শেলগী মতেং পাল্লি।

অদুবু লৈবাক অদুগী ইন্দিজিনিয়স লিদরশিং, ক্লাইমেট এক্তিভিষ্টশিং অমসুং য়ু এস দিমোক্রেটিক সেনিটরশিংগী গ্রুপ অমনা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনদা শেলগী তেংবাং অদু হৌজিমক্কী ওইনা পীদনবা ৱার্নিং তৌখ্রে। জের বোলসোনারোনা লুচিংবা ব্রাজিল্লিয়ন লৈঙাক অসি ইরাই লায়না থাজবা য়াদবা লৈঙাক অমনি।

ব্রাজিলগী প্রসিদেন্ট বোলসোনারো উমং কোকথোকপদা মমিং লৈরিবা লুচিংবা অমনি। মরম অদুনা হৌজিমক্কী ওইনা লুচিংবা অসিদা শেলগী তেংবাং পীবদা খুদোংচাদবা ওইগনি হায়না ব্রাজিলগী আর্টিকুলেসন ওফ ইন্দিজিনিয়স পিপলসকী কোওদিনেটর সোনিয়া গ্বাজাজারানা ফোঙদোরক্লি।

মালেমদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না রেন ফোরেষ্ট কনবা পাল্লি। উমং অসিবু কন্নবগীদমক মালেমগী লৈবাক কয়ানা অহেনবা শেনফম কয়া থাদনবা শেম শাদুনা লৈরি। অদুমওইনমক লোনা য়াদবা মওংদা উমং কোকথোকপদা চেন্নরিবা বোলসোনারোগী লৈঙাক্তা রেন ফোরেষ্ট অমাজোন ঙাক শেন্নবগীদমক অহেনবা শেনফম কয়া পীশিনবা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। হৌখিবা কুমজা ২০০৪ দগী হৌরগা অমাজোন রেন ফোরেষ্টতা উমং কোকথোকপগী চাং য়াম্না হন্থখি। অদুবু বোলসোনারোনা চহী ২ লৈঙাক পায়রকপদগী উমং কোকথোকপগী চাং খঙহেন হেনগৎলকখিবনি।

Resonance®
Educating for better tomorrow

LIVE-VIDEO LEARNING PROGRAM (LLP) CENTRE

A TOP Coaching Institute from KOTA, Rajasthan

Now in IMPHAL

Live Video Classes from Experts of Kota

Physical Classes from Subject Expert of Kota

Study Materials from Resonance, Kota

COURSES OFFERED

- 1 Year NEET/ JEE (Main+Advanced) from Class XII > Starting Last Week of April, 2021
- 2 Year Foundation Course for Class IX > Starting Last Week of April, 2021
- 1 Year Foundation Course for Class X > Starting Last Week of April, 2021
- 45 Days Crash Course for NEET 2021 > Starting 10th June 2021

Registration Open now for 100 Seats

For Further Inquiry:

Visit: Nachom Edu Foundation

(An authorised LLP Partner of Resonance Eduventures Ltd. Kota, Rajasthan)

3rd Floor, S.I. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001

Call: 9402979552 / 8794961536

HL-P/9651/19-28/4

# কোভিদ-১৯ না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 37,70,000 +67,123 | 30,60,000 +56,783 | 59,970 +419 |
| Kerala | 12,20,000 +13,835 | 11,40,000 +3,654 | 4,904 +27 |
| Karnataka | 11,40,000 +17,489 | 10,10,000 +5,564 | 13,270 +80 |
| Tamil Nadu | 9,81,000 +9,344 | 9,02,000 +5,263 | 13,071 +39 |
| Andhra Pradesh | 9,55,000 +7,224 | 9,08,000 +2,332 | 7,388 +15 |
| Delhi | 8,28,000 +24,375 | 7,46,000 +15,414 | 11,960 +167 |
| Uttar Pradesh | 8,21,000 +27,334 | 6,41,000 +7,831 | 9,703 +120 |
| West Bengal | 6,52,000 +7,713 | 5,96,000 +3,426 | 10,540 +34 |
| Chhattisgarh | 5,32,000 +16,083 | 3,96,000 +9,828 | 5,738 +158 |
| Rajasthan | 4,04,000 +9,046 | 3,41,000 +2,823 | 3,109 +37 |
| Madhya Pradesh | 3,96,000 +11,269 | 3,27,000 +6,497 | 4,491 +66 |
| Gujarat | 3,94,000 +9,541 | 3,34,000 +3,783 | 5,267 +97 |
| Odisha | 3,65,000 +3,144 | 3,45,000 +1,303 | 1,942 +4 |
| Telangana | 3,51,000 +5,093 | 3,13,000 +1,555 | 1,824 +15 |
| Haryana | 3,50,000 +7,717 | 3,08,000 +2,944 | 3,386 +32 |
| Bihar | 3,15,000 +7,870 | 2,74,000 +1,804 | 1,722 +34 |
| Punjab | 2,95,000 +4,431 | 2,55,000 +2,615 | 7,834 +62 |
| Assam | 2,24,000 +876 | 2,17,000 +149 | 1,129 +2 |
| Jharkhand | 1,59,000 +3,838 | 1,32,000 +1,234 | 1,406 +30 |
| Jammu and Kashmir | 1,45,000 +1,145 | 1,32,000 +852 | 2,051 +3 |
| Uttarakhand | 1,21,000 +2,757 | 1,04,000 +880 | 1,856 +37 |
| Himachal Pradesh | 75,587 +1,392 | 65,963 +647 | 1,180 +12 |
| Goa | 66,261 +762 | 58,746 +436 | 872 +4 |
| Puducherry | 47,108 +715 | 42,313 +198 | 705 +3 |
| Tripura | 34,002 +69 | 33,163 +7 | 394 |
| Chandigarh | 33,309 +431 | 29,485 +438 | 410 +2 |
| Manipur | 29,649 +39 | 29,083 +14 | 376 |
| Arunachal Pradesh | 16,967 +19 | 16,806 +6 | 56 |
| Meghalaya | 14,798 +95 | 13,997 +11 | 152 |
| Nagaland | 12,536 +32 | 12,275 +4 | 94 |
| Ladakh | 12,071 +362 | 10,267 +53 | 133 +1 |
| Sikkim | 6,591 +72 | 6,150 +8 | 136 |
| Andaman and Nicobar Islands | 5,331 +42 | 5,146 +36 | 64 +1 |
| Mizoram | 4,859 +50 | 4,483 +1 | 12 |
| Dadra and Nagar Haveli and Daman and Diu | 4,748 +67 | 3,823 +25 | 4 |
| Lakshadweep | 945 | 765 | 1 |